

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, TUESDAY, MARCH 03, 2020 **PAGE 7**


*চিলি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা ব্রাজিলগী টিনএজর টি সেবোট ৱাইল্ড*

*দোপিং কেসতা অথিংবা থল্লম্বদগী নাদাগী পেনেলনা লৌথোকখ্রবা এসিয়ান সিলভর মেডালিষ্ট বোক্সর সুমিত সাংৱান*

## বোক্সিং ওলেম্পিক ক্বালিফাইরদা অমিত পানঘালনা নম্বর ৱান সিদেদ অদুগা মেরি কোম্না অনীশুবা সিদেদ ওইরি



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ০২ (এজেন্সি)ঃ*

জোরদানগী সিটি অমানদা হয়েংদগী শান্নবা হৌগদৌরিবা এসিয়ান ওলেম্পিক বোক্সিং ক্বালিফায়রদা ইন্দিয়াগী বোক্সর অমিত পানঘালনা নুপাগী কাঙলূপ্তা অহানবা সিদেদ ওইরি অদুগা নুপীগী কাঙলূপ্তনা মেরি কোম নম্বর টু সিদেদ ওইনা শরুক য়ারগনি।

ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিগী বোক্সিং টাক্স ফোর্সকী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা কন্টিনেন্টেল ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর ৮ অমসুং নুপী বোক্সর ৫ না ওলেম্পিক কোটা ফংনবা হোৎনগদৌরি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈন্দগী কেজি ৫২ গী কেটেগোরিদা শরুক য়াগদৌরিবা অমিত পানঘাল খক্তমক নুপাগী কাঙলূপ্তা সিদিং ফংলি। নুপীগী কেজি ৫১ গী কেটেগোরিদা মণিপুরগী বোক্সর এম সি মেরি কোমনা অনীশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াগদৌরি।

ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী অনীরক ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রবী ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর লোভলিনা বোরগোহেননা কেজি ৬৯ গী কেটেগোরিদা অনীশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপী বোক্সর পুজা রানীনা কেজি ৭৫ গী কাঙলূপ্তা ৪শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারগনি।

ইন্দিয়াগী বোক্সিং টিম ইটালিগী সিটি এসিসিদা ত্রেনিং পাঙথোক্লুরবা মতুং এসিয়ান বোক্সিং ওলেম্পিক ক্বালিফায়রগী মফম ওইরিবা জোরদানদা ইরাই নুমিৎতা থুংখিবনি।

লৈবাক অসিগী বোক্সর পূন্নমক মফম অসিদা ফজনা লৈরি। লৈবাক অসিগী বোক্সরশিংনা ওলেম্পিক ক্বালিফায়র অসিদা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙম্নবা হোৎনরি হায়না ইন্দিয়ান বোক্সিংগী হায় পার্ফোমেন্স দাইরেক্টর সান্টিয়াগো নিএভানা ফোঙদোকখি।

ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিদা ওলেম্পিক কোটা ৬৩ গী মফম লৈরি। কেটেগোরি খূদিংমক্তা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা বোক্সরশিংনা ওলেম্পিক কোটা ফংলগনি। বোক্সিং ওলেম্পিক ক্বালিফায়র অসিদা অমিত পানঘাল অমসুং মেরি কোম্না লুচিংদুনা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংবু য়াম্না ফজবা ষ্টেজ অমদা পুখৎপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না হায় পার্ফোমেন্স দাইরেক্টর নিএভানা মখা তাখি।


অমিত পানঘান মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা কেজি ৫২ গী কেটেগোরিদা সিলভর মেডল ফংবা ঙমদুনা ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সরশিংগী মনুংদা পোজিসন অসি ফংবা ঙম্বা অহানবা বোক্সর ওইবা ঙমখিবনি। অদুগা মেরি কোমসু মমাঙদা চহীদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা মহাক্কী কেরিয়াগী ৮লকশুবা মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

নুপীগী কেজি ৬০গী কাঙলূপ্তা নেসনেল চেম্পিয়ন সিমরনজিৎ কোরনা ত্রাইয়েলদা ভেটরান বোক্সর সরিতা দেবীনা মায়থিবা পীরম্লগা বোক্সিং ওলেম্পিক ক্বালিফায়র অসিগী ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াবা ঙমখিবনি।

বোক্সিং ওলেম্পিক ক্বালিফায়রদা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং অদুদি নুপাগী কাঙলূপ্তা অমিত পানঘাল (কেজি ৫২), গৌরব সোলানকী (কেজি ৫৭), মনিস কৌসিক (৬৩), ভিকাস কৃষ্ণন (কেজি ৬৯), আসিস কুমার (কেজি ৭৫), সচিন কুমার (কেজি ৮১), নমান তনৱার (কেজি ৯১) অমসুং সাটিস কুমার (কেজি ৯১ মথক) নি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা শরুক য়াগদৌরিবী বোক্সরশিং অদুদি এম সি মেরি কোম (কেজি ৫১), সাক্সী চৌধারি (কেজি ৫৭), সিমরনজিৎ কোর (কেজি ৬০), লোভলিনা বোরগোহেন (কেজি ৬৯) অমসুং পুজা রানী (কেজি ৭৫) নি।

## মেঞ্চেষ্টর সিটিনা এষ্টোন ভিল্লাবু ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ইংলেন্দগী লীগ কপকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে



*লন্দন, মার্চ ০২ (এজেন্সি)ঃ*

ইংলেন্দগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট লীগ কপ (কারাবাও কপ) কী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা এষ্টোন ভিল্লাবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা থংন–থংননা অহুম্লকশুবা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী পুৱারিদা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ফাইনেল ৯লক চঙলকপগী মনুংদা টাইটল ৮ লক লৌবা ঙমখি। হৌজিক ফাওবদা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা টুর্নামেন্ট অসিদা ২৯লক টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ইংলেন্দগী লীগকী কপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিদা শান্নবা হেক হৌবদগী এটেক হেন্না চথ্খদুনা গোল চনশিন্নবা হোৎনদুনা লাকখি। মেটচকী অহানবা হাল্ফকী মিনিট ২০ চৎপদা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা চথ্খরকখিবা এটেক অমদা ফিল ফোদেননা পীরকপা য়াম্না ফজবা পাস অমদা টিমমেট সর্জিও রামোসনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

মখা তানা শান্নরকপদসু গোল মাঙজিল থারিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথ্খদুনা লাকপা ঙমখি। মেটচকী ৩০শুবা মিনিটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা চথ্খরকখিবা এটেক অমদা ইলকে গ্বেন্দোগাননা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট রোদ্রিনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাদদুনা এষ্টোন ভিল্লাগী শান্নরোইশিং দা প্রেসর পীশিন্দুনা লাকখি।

মখা তানা শান্নরকপদা গোল শোথ্খরিবা এষ্টোন ভিল্লাগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোক্নবা হোৎনদুনা মায়কৈ কয়াদগী লেপ্তনা এটেক চথ্খদুনা লাকখি।

মেটচকী ৪১শুবা মিনিটতা এষ্টোন ভিল্লাগী শান্নরোইশিংনা চথ্খরকখিবা এটেক অমদা এমবৱানা সামাট্টানা টিমমেট অনৱার ইল ঘাজিগী মতেংনা গোল অমা হন্দোক্লগা ১–২ দা শোথ্খরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপদা গোল মাঙজিল থারিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথ্খদুনা অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী অয়াম্বা মতমদা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চন্দুনা লাকখ্রবসু এষ্টোন ভিল্লাগী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙমহন্দনা থমখি।

এষ্টোন ভিল্লাগী মায়কৈদগীসু খুদোংচাবা হেক ফংবগা শোথ্খরিবা গোল অদু হন্দোক্নবা কন্না হোৎনরকখিবশিং অদু মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা য়াম্না হৈ–শিংনা শান্নবা ঙমখিবদগী খুদোংচাবা ফংহন্দনা থমখি।

এষ্টোন ভিল্লাগী শান্নরোইশিংনা চথ্খরকখিবা এটেকশিং অদু থিংনবা হোৎনবদা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোই রামিহ ষ্টরলিং অমসুং রোদ্রি মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ উৎখি। এষ্টোন ভিল্লাগী শান্নরোই অহমদ ইল মোহামাদি, মারভেলস নাকাম্বা অমসুং টাইরোন মিংসসু চৎন–পথাপকী ৱাংমদা শান্নরুবগীদমক মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

লন্দনদা লৈবা ৱেম্বলি ষ্টেদিয়মদা মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং এষ্টোন ভিল্লানা শান্নখিবা ইংলেন্দগী লীগকী কপকী ফাইনেল মেটচ অসি ভাবক লিশিং ৮২ হেনবনা মীৎয়েং তাখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী অরেম্বা মতমশিং অদুদা গোল শোথ্খরিবা এষ্টোন ভিল্লাগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অসি মেঞ্চেষ্টর সিটিনা গোল ২–১ দা মায় পাক্কুনা টাইটল লৌখি।

## ওষ্ট্রেলিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু রন ৪ দা থোইদুনা গ্রুপকী অনীশুবা তারগা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে



*মেলবর্ন, মার্চ ০২ (এজেন্সি)ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা শান্নরিবা আই সি সি টি–২০ ৱুমেন’স ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘এ’ গী ৪শুবা রাউন্দগী মেটচতা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু রন ৪ দা থোইদুনা গ্রুপ অসিদা অনীশুবা তাদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মেটচ অসিগী টোস ন্যু জিলেন্দনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। ওষ্ট্রেলিয়ানা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা ওভর ২০ দা বেটসৱুমেন ৫ আওট ওইরগা রন ১৫৫ লৌখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ওপনর এলিসা হিলিশুপ্নগী রন ৯ খক লৌরম্লগা আওট ওইখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী বেট্টিংদা ওপনর ওইখিবা বেথ মুনেনা ৫০ দা সিক্স ২ অমদি ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৬০ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি।

টিম অসিগী অতোপ্পা বেটসৱুমেন মেগ লান্নিংগী রন ২১, ৪শুবা বেটসৱুমেন এসলি গার্দেনরগী রন ২০ অমসুং ৫শুবা বেটসৱুমেন এসলি পেরিগী রন ২১ টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি। ন্যু জিলেন্দগী বোল্লিংদা অন্না পিটরসন্না ওষ্ট্রেলিয়াগী ৱিকেট ২ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইখি।

ন্যু জিলেন্দনা মায় পাক্নবগী রন ১৫৬ লৌনবা হোৎনরকপদা ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৭ আওট ওইরগা রন ১৫১ লৌখিবদগী মেটচ অসি ওষ্ট্রেলিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু রন ৪ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ন্যু জিলেন্দগী বেট্টিংদা ৫শুবা বেটসৱুমেন ওইনা চঙলকখিবী কেটলি মার্টিননা বোল ১৮ দা সিক্স অমা অমদি ফোর ৪ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৩৭ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স ওইখি।

টিম অসিগী ওপনর লোয়ননা কেপ্টেন ওইরিবী সোফি দিভাইসু রন ৩১ লৌরমদু মায় পাক্নবা হোৎনরমখি। ৪শুবা বেটসৱুমেন মেদ্দি গ্রিনসু বোল ২৩ দা সিক্স অমদি ফোর ২ / ২ য়ৈরগা রন ২৮ লৌরমখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী বোল্লিংদা জিওর্জিয়া ৱেয়রহাম অমসুং মেগান স্কুটনা ন্যু জিলেন্দগী ৱিকেট ৩ / ৩ লৌদুনা মেটচ অসি মায় পাকপদা চাওনা মতেং পাঙখি।

ঙসিগী মেটচ অসিদা ন্যু জিলেন্দ মায় পাক্লম্বা তারবদি মখোয়সু সেমি ফাইনেল য়ৌগদৌরিবনি।

গ্রুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা রাউন্দগী মেটচতা শ্রী লঙ্কানা বাংলাদেশপু ৱিকেট ৯ দা চাওনা মায়থিবা পীবা ঙমখি। মেটচ অসিদা বাংলাদেশনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৮ আওট ওইরগা রন ৯১ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা শ্রী লঙ্কানা ১৬শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা বেটসৱুমেন অমখক আওট ওইরগা টার্গেট রন লৌবা ঙমদুনা মেটচ অসি ৱিকেট ৯ দা মায় পাকখি।

## ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিমগী রেঙ্কিং হাইগৎখ্রে

*লোজেন, মার্চ ০২ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্টরনেসনেল হোক্কী ফেদরেসন (এফ আই ঐচ) না ঙসি থাদোরকখিবা রেঙ্কিং লিষ্টতা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিম খ্বাইদগী ফজবা রেঙ্কিং ওইনা ৪শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

অনীশুবা ইদিসনগী এফ আই ঐচ হোক্কী প্রো লীগকী অহানবা রাউন্দ ৩ শান্নবদা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী শান্নরোইশিংনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবনি। কুমজা ২০০৩ দা শেমখিবা চৎন–পথাপ অসিগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিম থাক অমা হাইগৎলগা ৪শুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমখিবনি। ওলেম্পিক চেম্পিয়ন আর্জেন্টিনা হান্না ৪শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বদগী ৫শুবা মফমদা হন্থখ্রে।

ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন বেলজিয়মগী টিম জনুৱারি থাদা সিদনিদা শান্নখিবা মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী মখূত্তা মায়থিখ্রবসু নম্বর ৱান পোজিসন্দা লেঙদনা লৈবা ঙম্লি। নুপাগী হোক্কী রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা কুকাবুরাসনা অনীশুবা অদুগা নেদরলেন্দসনা ৩শুবা মফমদা লৈরি।

জর্মনি অমসুং ইংলেন্দ মথংশিংনা ৬শুবা অমসুং ৭শুবা পোজিসন্দা লৈরি অদুগা ন্যু জিলেন্দগী টিম হন্দক্তা মেটচ ৩ শান্নখিবদা ২ মায় পাকপা ঙমখ্রবসু ৮শুবা পোজিসন্দা লেঙদনা লৈরি।

## রোর এফ সিনা অহানবা দিল্লি ফুটসাল লীগ টাইটল লৌখ্রে



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ০২ (এজেন্সি)ঃ*

রোর এফ সিনা রোয়েল গ্রিন এফ সিবু ফাইনেলদা গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা অহানবা ওইনা দিল্লি ফুটসাল লীগকী টাইটল লৌখ্রে।

ফুটবোল দিল্লি (দি এস এ) না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা দিল্লি ফুটসাল লীগ অসিদা টিম ৮ দগী শান্নরোই ১২০ হেনবনা শরুক য়াখি। শরুক য়াখিবা টিমশিং অদুদি রোয়েল গ্রিন এফ সি, ভেলোর এফ সি, রোর এফ সি, পোল ষ্টার এফ সি, সিগনেচর এফ সি, ভিষ্টা এফ সি, টিমারপুর এফ সি অমসুং ওল ষ্টার এফ সিনা শরুক য়াদুনা টাইটলগীদমক লম্বা তৌনখি।

দিল্লি ফুটসাল লীগ অসিগী ফাইনেলদা রোর এফ সিনা রোয়েল গ্রিন এফ সিবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখিবনি। মেটচ অসিদা রোর এফ সিগী শান্নরোই উদিত কুমারনা গোল অনী চনবা ঙমখি অতোপ্পা গোল অমনা টেজাস ভন্দারিনা চনবা ঙমখিবনি। রোর এফ সিনা দিল্লি ফুটসাল লীগকী টাইটল লৌখিবদগী এ আই এফ এফ না শিনবা চেম্পিয়ন্সিপশিংদা দিল্লি ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারগনি।

ফাইনেল মেটচ অসিদা লীগকী সি ই ও, এ আই এফ এফ সুনান্দো ধার অমসুং এ আই এফ এফকী টেক্নিকেল দাইরেক্টর ইসাক দোরুসু শরুক য়াখি।

## সোল্ট লেক ষ্টেদিয়ম্না ইন্দিয়া অমসুং আফগানিষ্টানগী মেটচ য়ুম্বু ওইরগনি

*কোলকটা, মার্চ ০২ (এজেন্সি)ঃ*

ফিফা ৱার্ল্ড ক্বালিফায়রগী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়া অমসুং আফগানিষ্টান্না শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিগী য়ুম্বু কোলকটাদা লৈবা সোল্ট লেক ষ্টেদিয়মনা য়ুম্বু ওইদুনা লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াই, ফিফাগী দেলিগেসন টিম্না কোলকটাদা লৈবা সোল্ট লেক ষ্টেদিয়ম ২০২২ ফিফা ৱার্ল্ড কপ এসিয়ান ক্বালিফায়রগী য়ুম্বু ওইনবগী অয়াবা পীরকখিবনি।

এসিয়ান ক্বালিফায়র অসিগী গ্রুপ ‘ই’ দা ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিম ৪শুবা পোজিসন্দা লৈরিবনি। মমাঙদা মেটচ ৩ শান্নখিবা মেটচ অমত্তা মায় পাকপা ঙমদনা লাক্লি। কাটার, বাংলাদেশ অমসুং আফগানিষ্টাননা শান্নখিবা মেটচশিংদা দ্রো চৎখি অদুগা ওমানগা শান্নখিবা লেগ অনীদা ১–২ অমসুং ০–১ দা মায়থিবা নংখি।

ইন্দিয়াগী টিম্না ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়র অসিগী মথংগী রাউন্দ চঙগে হায়বা তারবদি এসিয়ান চেম্পিয়ন কাটার, বাংলাদেশ অমসুং আফগানিষ্টানগা শান্নগদবা মেটচশিং অসি মায় পাকপা তারি।

ইন্দিয়া অমসুং আফগানিষ্টানগী মেটচ জুন থাগী ৯ দা লম্বা তৌনগনি। মমাঙদা সোল্ট লেক ষ্টেদিয়মদা ইনিদয়া অমসুং বাংলাদেশ শান্নখিবদা গোল ১–১ দা দ্রো চৎখিবনি। ইনিদয়ানা কাটারগা থা অসিগী ২৬ দা শান্নরবা মতুং জুন ৪ দা বাংলাদেশকা শান্নরগনি।


OFFICE OF THE
KAKCHING KHUNOU MUNICIPAL COUNCIL
KAKCHING DISTRICT, MANIPUR – 795103

------

NOTICE

Kakching Khunou, the 27th February, 2020

**No: 5/1/2018-KKMC(HFA):** it is hereby notified for information of all concerned that fresh applications (for 2nd phase) are invited from intending beneficiaries living within the jurisdiction of Kakching Khunou Municipal Council for availing Central financial assistance under sub-component "Subsidy for Beneficiary-led individual house construction (BLC)" of the Pradhan mantra Awas Yojana-Housing for All (Urban).

The applications may collect the application forms from the office of the undersigned during office hours. Application form duly filled in and signed along with the required documents should reach the office on or before 4:30 of 5th March, 2020. Form submission after 5th March, 2020 shall not be entertained.

Sd/-
(HELEM PAMEI)
Executive Officer
Kakching Khunou Municipal Council

SL/5917(2)/3



OFFICE OF THE
SUGNU MUNICIPAL COUNCIL
KAKCHING DISTRICT, MANIPUR – 795101

-------

NOTICE

Sugnu, the 27th February, 2020

**No. 2/3/2018-SMC(HFA):** It is hereby notified for information of all concerned that fresh applications (for 2nd phase) are invited from intending beneficiaries living within the jurisdiction of Sugnu Municipal Council for availing Central financial assistance under sub-component "Subsidy for Beneficiary-led individual house construction (BLC)" of the Pradhan Mantri Awas Yojana-Housing for All (Urban).

The applications may collect the application forms from the office of the undersigned during office hours. Application form duly filled in and signed along with the required documents should reach the office on or before 4:30 of 5th March, 2020. From submission after 5th March, 2020 shall not be entertained.

Sd/-
(HELEM PAMEI)
Executive Officer
Sugnu Municipal Council

SL/5917(1)/3



GOVERNMENT OF MANIPUR
MEDICAL DIRECTORATE

MEMORANDUM

Imphal, the 20th, February, 2020

No. G(171)DIH/2016-DHS(Pt.I): It is hereby informed to all applicants who have applied for appointment under Die-in-Harness Schemes in Health Department to submit their documents through DDOs/ Programme Officer concerned within one week from the date of issue of this Memorandum, failing which, it will be treated that the applicants are not interested in the appointment under Die-in-Harness Scheme.

Sd/-
(Dr. Rajo Singh)
Director of Health Services, Manipur.

SL/B/3



Office of the
**Kakching Khunou Municipal Council**
Kakching District, Manipur

NOTIFICATION

Kakching Khunou, the 2nd March, 2020

**No. 5/1/2018-KKMC (HFA):** It is hereby notified to all the beneficiaries of PMAY-HFA (U) that, as per the resolution adopted by the Council on 18th November, 2019. In pursuance of that resolution, the Council in its sitting No. 87, Resolution No. 3, dated 17th February, 2020 resolved to curtail 5 numbers of beneficiaries who have failed to start their house construction within the said dateline.

Sd/-
(HELEM PAMEI)
Executive Officer
Kakching Khunou Municipal Council

SL/5917(3)/3


### ক্রোসৱার্দ ৪৪৫ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | O | S | I | E | | A | R | C | H | | W | A | R | P |
| S | L | A | T | S | | T | A | L | E | | A | F | A | R |
| V | E | G | E | T | A | T | I | O | N | | T | I | N | E |
| P | O | E | M | | V | E | S | T | | M | E | R | G | E |
| | | | | H | O | S | E | | T | U | R | E | E | N |
| P | A | T | I | E | N | T | | B | O | S | C | | | |
| E | M | I | L | Y | | | S | E | A | H | O | R | S | E |
| T | E | L | L | | C | I | T | E | D | | L | A | I | R |
| E | N | T | I | R | E | T | Y | | | A | O | R | T | A |
| | | | T | E | N | S | | E | N | T | R | E | E | S |
| S | O | R | E | S | T | | A | L | O | E | | | | |
| A | L | E | R | T | | P | L | E | A | | M | A | M | A |
| I | D | E | A | | M | A | T | C | H | M | A | K | E | R |
| N | E | S | T | | A | L | O | T | | E | X | I | L | E |
| T | R | E | E | | N | E | S | S | | L | I | N | D | A |